**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং আইন্না থিংখ্রবা লুপকী মীওই অনি য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

২) গুদ ফ্রাইডেগী থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোকরি। নুমিৎ অসিদা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা পাউজেল পীরক্লি।

অমসুং

৩) মালেমগী খ্বাইদগী ফবা হোস্পিতালশিংগী মনুংদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) নিউ দিল্লিনা ৯৭ শুবা মফমদা লৈরে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অনি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং খাবাখোংদগী ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ফারবা মীওইশিং অসিদগী ঐচ.ই- হেন্দগ্রেনেদ অমা, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

চেরোল অসিনা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। ঙরাং ককচিং জিলাদা চখখিবা ওপরেসনদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন

সিঙ্গল বেরেল গন অমা অমদি নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগীসু মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, নাইন এম.এম করবাইন মেছিনগন অমা, শেমদোক্লবা সিঙ্গল বেরেল গন অমা, পিষ্টোল অমা, থার্তি সিক্স ঐচ.ই-হেন্দগ্রেনেদ অনি অমদি নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

তেংনৌপল জিলাদা চথখিবা ওপরেসনদা কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, হেন্দগ্রেনেদ ৮, আই.ই.দি ১০, পোম্পি সেল ৮ অমদি নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগীসু সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর অমা, তুয়েল্ব বোর এস.বি.বি.এল গন অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী পিষ্টোল অমা, থার্তি সিক্স ঐচ.ই হেন্দে গ্রেনেদ অহুম, ষ্টন সেল অনি, তিয়ার স্মোক মরি অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মণিপুর পুলিসনা গাড়িশিংগী মিংশেলদা টিন্টেদ ফিলমশিং লৌথোকপগী দ্রাইভ লেপ্পা লৈতনা চথরি। থা অসিগী ১ দগী ঙসি ফাওবদা গাড়ি লিশিং ৩ হেনবদগী টিন্টেদ ফিলমশিং লৌথোকখ্রে।

অমরোমদা, হুরানখিবা নত্রগা মীয়ামদগী নমদুনা মুনখিবা গাড়িশিং লৌখৎনবগীদমক অখন্নবা দ্রাইভ অমা মণিপুর পুলিসনা ঙরাং চথখ্রে। মদুদা গাড়ি ১৭ লৌখৎপা ঙমলে। মসিগী মনুংদা গাড়ি ১৬ তি চাকা মরি পানবা গাড়িনি।

গুদ ফ্রাইডে (এল)ঃ প্রভু যিশু পাং তিংদুনা হাৎখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা মালেম শিনবা থুংবদা ঙসি গুদ ফ্রাইডেগী থৌরম পাঙথোকরি। মণিপুরদসু থৌরম অসি খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা চর্চতা চত্তুনা লাইশোল সভা পাঙথোক্লি ।

নোনে জিলাদসু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা গুদ ফ্রাইডেগী থৌরম পাঙথোক্লি।

গুদ ফ্রাইডেগা মরী লৈননা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা প্রভু যিশু খৃষ্টনা মীয়ামগীদমক কৎথোকখিবা, মহাক্কী অচুম্বা লম্বী তাকপীবা অমদি অমগা অমগা নুংশি চান্ননা তংদু লৈতানা হিংনবগী পাউজেল অদু তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা তমজনিঙাইনি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসিনা মীয়ামগী লমজিং মৈরা ওইরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা প্রভু যিশুনা পামজরম্বর শান্তি অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পুরকপা ওইরসনু।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী সত্যবর্তনা য়াইফা পাউজেল পীরদুনা হায়- প্রভু যিশুনা কৎথোকখিবা অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। হৌজিক্কী চরাংনবা মতম অসিদা মহাক্কী ঙাকপিহৈবা পাউজেল অদুনা মীপুম খুদিংমকপু অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা লমজিংলসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্তা শান্তি, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেৎশিনহন্দুনা তুংদা লাক্কদবা পুন্সিদা অফবা পীনবা ওইরসনু।

হান্নগী মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ য়ুমনাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়- খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী গুদ ফ্রাইডে নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

কোওপরেতিভ (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ য়ুনিয়ন লমফেলপাৎ অমদি রেজিষ্টার ওফ কোওপরেতিভ সোসাইতি অনিনা শিন্দুনা ঙরাং প্রিমেম্বরসিপ ট্রেনিং প্রোগ্রাম ২০২৫-২৬ হৌদোকখ্রে।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ য়ুনিয়নগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পদ্মাশী এৱার্দি থৌনাউজম চাউবা, হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ মোইরাংথেম নরা, কোওপরেসনগী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি সোমোরজিৎ সলাম অমদি মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট লোংজম তোমপিশক শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী থৌনাউজম চাউবনা হায়- কোওপরেতিভ য়ুনিয়ন অসি মীয়াম চংদুনা মপাঙ্গল কনখৎহনদুনা লৈবাক অসি শেনমিৎলোন ফগৎহনবা অমদি চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- মণিপুরগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমবগীদমক কোওপরেতিভ সোসাইতি হিংহনবা তঙাইফদে। মসিদা মীয়ামা পুন্না হোৎনমিন্নবা চংই।

ফয়ার (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা এপ্রিল ১৪ দগী হৌদুনা ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নেসনেল ফয়ার সার্ভিস ৱিক ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফয়ার সেফতি এৱারনেস অমসুং মোক দ্রিল কয়া পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ফয়ার সার্ভিস বিভাগনা শিন্দুনা রিমস হোস্পিতাল, য়ুনাকো কলেজ, ক্লাসিক গ্রান্দে অমদি এঞ্জেল হোস্পিতালদা ফয়ার সেফতিগা মরী লৈননা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমদি মৈহৌ লাংপোক থোকপা মতমদা খুদক্কী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা মোক দ্রিলসু উৎখি।

এইমস ঃ মালেমগী খ্বাইদগী ফবা হোস্পিতালশিংগী মনুংদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) নিউ দিল্লিনা ৯৭ শুবা মফমদা লৈরে।

নিউজ ৱিক অমদি ষ্টেটিষ্টানা পীবা ইং ২০২৪ গী মালেমগী ওইনা অফবা হোস্পিতালশিং খনগৎপদা এইমসনা ৯৭ শুবা মফম কনবা ঙমখিবনি। মসিগী রেঙ্কিং অসিনা লৈবাক ৩০ গী তোঙান তোঙানবা হোস্পিতাল লিশিং ২,৪০০

হেন্না খনগৎলবা তুংদা রেঙ্কিং অসি লাউথোরকপনি।

অমরোমদা, চান্দিগরদা লৈবা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল ইজ্‌কেসন এন্দ রিছার্সসু লিষ্ট অসিদা ২২৮ শুবা মফমদা লৈরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেনগী ওদিও ক্লিপকী ফোরেন্সিক রিপোর্ট লাক্লে হায়বা সেন্তরগী ৱাফম অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

হুইয়েন লানপাউদা- অরান্বাই তেঙ্গোলগা থাদৌ ইনপীগী লুচিংবশিংগী গুৱাহাতিদা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলে।

য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা পি.আর. থল্লকপগী এফিদেভিৎ চয়োল অহুমগী মনুংদা ফাইল ওইনা লানখৎলকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাড অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- দোনর মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা লাক্কুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম কয়া পাঙথোকখ্রে, মণিপুরবু হিরম খুদিংমক্তা মাংজিল থাবা ষ্টেট ওইনবা হোৎনরি হায়বা দোনর মন্ত্রিগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পাউখুম পীরকবা সুপ্রিম কোর্টনা লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে, মরুওইবা পেটিসন মঙা খনগৎপদা নুরুল হাসনগী য়াওরে হায়বা পাউসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- গভর্নরগা এম.এল.এ ৭ কা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলে।

উখ্রুলদা লমগী ৱাহৌদা মীওই অমা শিরগা মঙা শোকখ্রে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

মোর্নিং বেলদা- অনৌবা কেস অমদা মার্ক হাওকিপ অমুক হন্না মণিপুর পুলিসনা ফারে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সিন্দিয়ানা দোনর প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে হায়বগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- ওদিও টেপ লিক্কী কেসকা মরী লৈনদে হায়বা কংগ্রেসকী ভুপেন্দগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকপা রিফিউজিশিংনা মরিং মচা অমা তেংনৌপলদা তমথিনা ফুরকখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী এম.এল.এ ২৭ না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ উন্নরবা য়াহ হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটসকী সেক্রেটরি জেনেরেলগী চংথোক চংশিনদা কেন্দ্র সরকারনা অথিংবা থমজিল্লকপবু এন.এস.সি.এন(আই.এম)না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন তোরে।

------